**2021/TDC/CBCS/ODD/**
**MANHCC–302T/071**

**TDC (CBCS) Odd Semester Exam., 2021**
**held in March, 2022**

# MANIPURI

**( 3rd Semester )**

Course No. : MANHCC–302T

**( Old and Medieval Manipuri Literature )**

*Full Marks* : 70
*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

তেন্না **তরাখক্কী** পাউখুম পীয়ু : ২×১০=২০

১। মমাঙৈঙগী মতমদা লমদম অসিবু অতোপ্পা লম অতৈগী মীশিংনা কৌনরম্বা মিঙ্গৌ অনীদং ইরম্মু।

২। মণিপুরী সাহিত্যদা শতাব্দি কয়াফাওবগী মতমবু অরিবা মতমনি হায়না খঙনবগে? মতম অসিদা লৈরম্বা নিংথৌ অমগী মমিং ইরম্মু। ১+১=২

৩। মণিপুরী সাহিত্যদা ময়ায় ওইবা মতমগী হিন্দুধর্ম্মগা মরী লৈনবা লাইরিক অনীদং ইরম্মু।

৪। 'ওগ্রী' হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অসি মণিপুরী সাহিত্যগী করম্বা মতমদা লৈরম্মী হায়না লৌনবগে? মসিবু করি হায়নসু খণ্ডনবগে? ১+১=

৫। 'য়াকৈবা'দা পোইরৈ মৈতে লমদমদা য়াকাইনবা মতমদা খোংবা উচেক অনীদংগী মমিং ইরম্মু।

৬। 'হিজন হিরাও'দা হি শাননবগীদমক য়াল হনখিবা উ অদু কদায়দা হৌবা উনো? কনাগী য়াথংনা উ অদু য়ালহনখিবনো? ১+১=

৭। 'খোংচোমনুপী নোংকারোল' হায়রিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা লুৱাংচনুশিং অদুগী মনুংদগী অনীদংগী মমিং ইরম্মু।

৮। লুৱাংচনুশিংগা হাওকুপাখংশিংগা ইহান হান্না মফম কদায়দা থেংনখিবগে? মফম অদুদা মখোয় নুমিৎ কয়ানি পুন্না লৈমিন্নখিবগে? ১+১=

৯। লুৱাংচনুশিং অমদি হাওকুপাখংশিং মখোয় পুন্না অমুকহন্না মফম কদায়দা, নুমিৎ কয়ানিশুবদা উনসি হায়না ৱাশকমিন্নখিবগে?

১০। 'বীরবাহু তুবা' হায়বা লাইরিক অসিগী ৱারী অসি করম্বা মহাকাব্যগী ৱারীগা মরী লৈনবগে? বীরবাহু করম্বা লৈবাক্কী নিংথৌনো? ১+১=

১১। বীরবাহুনা করম্বা লৈবাক্কী নিংথৌগা লান শোক্লখিবগে? মহাক মায় পাকখিব্রা? ১+১=

১২। বিরাট লৈবাক্তা লোৎতুনা লৈখ্রিবা নিংথৌমচাশিংদু কনা কনানো? মখোয় মফম অদুদা চহী কয়া লোৎতুনা লৈখিবগে? ১+১=২

১৩। 'তুতেংলোন'দা তু তেংখিবা মীওই অনীদু কনা কনানো?

১৪। 'তুতেংলোন'দা কাকয়েন মীঙম্বনা চেল্লুবা মীওইদু কনানো? মহাকপু কাকয়েন মীঙম্বগী মখুত্তগী কনানা কন্নবা হোৎনখিবগে? ১+১=২

১৫। চেংলৈ নিংথৌ থাংয়ি খোংচোংবগী তালোয় অনী অদুগী মমিং করি করি কৌবগে?

## SECTION—B

**মঙাখক** খল্লগা খুম্মু : ১০×৫=৫০

১৬। মণিপুরী সাহিত্যগী তাংকক অসি কয়া থোক্লা খায়দোকপা য়াবগে? তাংককশিং অদু ইবগা লোয়ননা অরিবা মতমগী সাহিত্যগী লোন অমসুং খুৎইগী মরমদা ইরম্মু। ১+২+৭=১০

১৭। ১৮ অমসুং ১৯ শুবা শতাব্দি অসি মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না মরু ওইবা মতমনি হায়রিবসি করিগীনো? মতম অসিগী সাহিত্যগী লোন অমসুং খুৎইগী মরমদা শন্নগ্না ইরম্মু। ৩+৭=১০

১৮। অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা থোইদোক্লা মরু ওই হায়না লৌনরিবা 'ঔগ্রী'দা মপুং ওইনা ফোংদোক্লল্লীবদু করিনো ইরম্মু।

১৯। মীওইবনা মচা কায়নবা মতমদা মমা মপা ওইবশিংগী মফমদা ওইরিবা কায়নবগী অৱাবা অদু মহৌশা লাইরেম্বীগী মফমদসু চপ মান্ননা ওই হায়বসি 'হিজন হিৰাও' শৈরেংদগী নৈনদুনা ইরম্মু।

২০। 'খোংচোমনুপী নোংকারোল'দা লুৱাংচনু তরুক্কা হাওকুপাখং তরুক্কা উনদুনা ৱারী শানখিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অদু ইরম্মু।

২১। 'খোংচোমনুপী' হায়রগা করিবু খঙবগে? মখোয় কনানা ওনখিবনো? মখোয়না অতিয়াদা করম্না থোকখিবগে হায়বদুগী মরমদু পীদুনা 'খোংচোমনুপী নোংকারোল'দগী ইরম্মু। ২+১+৭=১০

২২। বীরবাহু কনানো? অশৈবনা বীরবাহুগী মথৌনা মরীংজেল করম্না শৈথাবগে ইরম্মু। ২+৮=১০

২৩। 'বিরাট শাম্বুপলোন' হায়বা লাইরিক অসিদা পাণ্ডব মচিন মনাও মঙানা করিগী বিরাট লৈবাক্তা লোৎতুনা লৈখ্রিবনো? মখোয়না করি করি অৱাবা নংখিবগে হায়বদু শন্নপ্না ইরম্মু। ২+৮=১০

২৪। মৈদুংঙু য়োইমোংবা অমসুং তাউথিংমাং অনীসি কনা কনানো? মখোয় অনীনা তু-তেংখিবা মতমদা থেংনখিবা থৌদোকশিংদু শন্নপ্না ইরম্মু। ৩+৭=১০

২৫। থাংয়ি তাউবুং খোঙদৌবা কনানো? মহাক্না মশানৌ ইরেম তোইবী লৈমগা করম্না শেৎনখাইনখিবগে? অদুগা করম্না অমুক হন্না ৱাইথুংনখিবগে? শন্নপ্না ইরম্মু। ২+২+৬=১০

★★★